### ৭শুবা পে দিমান্দ তৌদুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং নুমিৎ ১২৫নি শুখ্রে

# অসাম নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং ৭ শুবা পে চৎনদ্রি হায়খিবদু অরানবা ৱাফমনি ঃ জে এ সি



এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংদা ৭ শুবা পে পীবিয়ু হায়বা য়াওনা চার্টর ওফ দিমান্দ ২২ তকশিল্লদুনা চথরকপা মতম কক্তবা থবক লেপ্পগী খোঙজং নুমিৎ ১২৫ নি মপুং ফারে। চীফ মিনিষ্টরনা হাউসতা অসাম নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ৭ শুবা পে চৎনদ্রি হায়খিবা অদু অরানবা ৱাফমনি। জে এ সিনা জুলাই ১৮ দা কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু য়াবা শুকঙম ঙম্লোই হায়না জে এ সি এমটুক অমসুং এমজিওগী সেক্রেটরী জেনরেল এল বিকেননা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা ৱারী শান্নবা অমদা বিকেননা হায়, ঙরাং লেইশিনখিবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম অদুদা ৭ শুবা পে পীবগী ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নখিবা অদু নুংঙাইবা ফাওই। অদুবু মসিগী ৱাফম অসিদি হাউসতা পুথোক্ত্রবসু ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ অমা লৌরগা পীথোকপা য়াবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎনখিবা অসি ইং ২০১৬কী জনুৱারি ১ দগী চৎনরিবা অসিগুম্না চৎনহনবীয়ু হায়বনি। মিজোরাম অসি ইং ২০১৮কী সেপ্তেম্বর ১ দগী ৭ শুবা পে অসি ফংফম থোকপা তলবতা য়াওবা ফংগদৌরিবনি। অদুনা ইং ২০১৬কী জনুৱারি ১ দগী চৎলিবা চহি অসিগী আগষ্ট ৩১ ফাওবনা এরিয়ার ওইনা ফংহন্নবা কেবিনেটনা পাস তৌখ্রে।

মণিপুরগীনা ইং ২০২০গী এপ্রিল ১ দগী ৭ শুবা পে অসি চৎনরগা ইং ২০১৬ কী জনুৱারি ১ দগী নোস্নেলি চৎনগনি হায়বসিদনি জে এ সিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবসি। মসিদা নোস্নেলি হায়বগী মহুত্তা ৱিঠ এরিয়ার হায়রল্লবদি খন্নবা য়ারম্বনি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসি পায়দ্রিঙৈদা ভিজন দোক্যুমেন্টতা হাপখিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপীরো হায়না দিমান্দ তৌরিবা কাঙবুদা ফানবা থবক লৌখৎপা অমসুং থল্লিবা অথিংবশিং অসি লৌথোকপীরো অদুগা মতম অমদা ৱারি শান্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

ঙরাং চীফ মিনিষ্টরনা হাউসতা অসাম নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমত্তদা ৭ শুবা পে চৎনদ্রি হায়খিবা অদু অরানবা ৱাফমনি হায়খি। নাগালেন্দ, অরুনাচলদা ৭ শুবা পে অসি চৎনখ্রবনি।

মণিপুরদা হৌজিক চৎননবা তৌরিবা অসি ফিটমেন্ট ফেক্টরদা ২.৫৭গী পোইন্ট অসিদা চৎনগনি হায়বনি। অসামদদি বি জে পি গভর্ণমেন্ট হেক লাকখ্রবা মতুংদা থা অহুমগী মনুংদা ৭ শুবা পে চৎনখ্রে। লোয়ননা মখোয়গীদনা ফিটমেন্ট ফেক্টরদা থ্রি পোইন্টতা চৎনখ্রবনি।

ফিটমেন্ট ফেক্টর অসি ৭ শুবা পেদা য়াম্না মরুওইবা ফেক্টর অমা ওইরি। মসি কেটেগোরি অহুম থোক্না খায়দোকই। অহানবদা পোইন্ট ৩.৬ অনীশুবদা পোইন্ট ৩ অমসুং অহুমশুবদা পোইন্ট ২.৫৭নি। মণিপুরদা চৎনগদৌরিবা অসি পোইন্ট ২.৫৭ ওইবনা মসি য়ানিংদে হায়বা উত্তুনা লৈবনি। মসিবু য়ানিংদবা ওইনা খোঙজং চঙশিল্লকপা নুমিৎ ১২৫ নি শুরে হায়খি।

অমরোমদা জে এ সিগী খোঙজং অসি শৌগৎলদুনা দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন এসকী লম্ফেলপাত্তা লৈবা ওফিস কমপ্লেক্সতা দাইরেক্টোরেট অসিগী ষ্টাফশিংনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হায়, মণিপুরদা ৭ শুবা পে চৎনহন্নবা য়াওনা চার্টর ওফ দিমান্দ ২২ জে এ সি এমটুক অমসুং এমজিওনা তৌদুনা লাকপনি।

মসিগা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিল্লকপা নুমিৎ ১২৫ নি মপুং ফারে। মতম অসি ফাওবদা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। অদুবু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী রেস্পোন্স ফংদ্রি।

ইন্দিয়াগী অয়াম্বা ষ্টেটশিংদা ৭ শুপা পে ফংখ্রবা ফাওবদা ইমপ্লোয়িশিংবু নমথরগা থম্বা অসি পেন্দে। মরম অসিনা খোঙজং অসি চঙশিনবনি। করিগুম্বা ৭ শুবা পে অসি পীরক্তবা তারবদি জে এ সিনা চঙশিল্লকপা মখল কয়াগী খোঙজংদা শরুক য়াগনি হায়খি।

লমায় ১ গী মখা

## খোঙজংদা হিংশাগী থবক চথবীগনুঃ পুলিস

মদুবু ঙাক শেনবা হায়বদুনা সেকুরিটি পার্সোনেলশিংগী মথৌনি।

চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা এসেমব্লীগী অকোয়বা মিটর ৫০০দা কর্ফিয়ু থম্বগা লোয়ননা মাংজৌননা প্রজাদা খঙহনখি। মীয়াম শোক্তনবা অমদি লনথুম ঙাকনবা মেজিষ্ট্রেট য়াওনা সেকুরিটি পার্সোনেলশিংনা অকনবা মওংদা ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎখি। মদু নমখায়রগা মহৈরোইশিং অদু চঙশিল্লত্তুনা খৎন–চৈননিংবা মওংদা ফজদা ৱাহৈ–ৱাতা শিজিন্নদুনা পুলিস পার্সোনেলশিংদা লাওশিল্লকখি। নুংনা থারকখি অমদি নাওরি কাপশিল্লকখি। নাওরি মরু ওইরিবদু য়োৎ গুলিনি। মদুনা কনাগুম্বদা পাল্লবদি পুন্সি চুপ্পা শোয়নাইগনি হায়খি।

মদুগুম্বা খোঙজং অদু দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অমা নত্তে হায়বগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক রাইট তানবদা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনবীয়ু হায়না দিআইজিনা অপিল তৌখি।

## মৈ অমসুং ঈশিংগী খাজনা পুন্না লুপা ক্রোর ৫৫৩.৯৬...

লুপা লাক্ষ ৯.৮৮ মাঙলি হায়নসু পল্লি।

রিপোর্ট অদুদা পল্লিবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা মিদ দে মিল স্কিমগী মখাদা কিচন কম ষ্টোর ৬৪৪ শানবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৪.০২ হিরম অসিদা শিজিন্নদনা দাইভর্সন তৌরে হায়না পল্লি। লোয়ননা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ দিপার্টমেন্টনা বেকৱার্দ রিজন গ্রান্ট ফন্দ স্কিমগী শেনফম লুপা ক্রোর ৯.০২ গভর্ণমেন্টনা পীবা করিগুম্বা ফন্দ শিজিন্নদবা তারবদি মদুগী শেনফম অদু মিনিষ্ট্রিদা হনগদবনি হায়বা ৱাফমগী ৱাংমদা অনৌবা বেঙ্ক একাউন্টতা হাপচিলম্বা থেংনখি হায়না পল্লি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, মেদিকেল, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩.৬৮ চংনা লৈখিবা মেদিকেলগী খূৎশু খূৎলাই শিজিন্নদবনা মরম ওইরগা চহি অনী হেন্না তাদুনা লৈরি হায়না পল্লি। এম ও বি সি দিপার্টমেন্টনা ও বি সি বোইজ অমসুং গার্লস হোষ্টেল শাবগী থবক মরম চাদনা থেংথবনা মরম ওইরগা লুপা ক্রোর ১.৩৪ থিংজিনখ্রে হায়নসু পল্লি।

## মণিপুরীশিংদমক তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টেটস...

মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা ইন্দিয়াগী মফমশিংদা তোঙানবা মণিপুরীশিংগী ওইনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ, কলচর ইন্টিগ্রিটি পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবা হৌরগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মতাং অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা সি এস ওশিংনসু পূক্নিং য়াওনা শৌগৎপীয়ু। অসাম অমদি ত্রিপুরাদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা মণিপুর লৈহায়বগী চাওথোকচরম্বদো ঙসিদি মচেৎ তাখ্রবদি ঐখোয়গী হায়বা অমুক শেম্বগী মথৌ তারক্লে। অসামদা এন আর সিনা মরম ওইরগা ঐখোয়বু চহী ৩০০ মমাঙদগী নিংথৌ চৌরজিৎ, মারজিৎ, গম্ভির সিংহনচিংবা নিংথৌ পান্দুনা লৈরম্বা মণিপুরী ঐখোয়বু অসাম গভর্ণমেন্টনা ইন্দিজিনসনি হায়না লৌশিনবীরক্তে অদুনা অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরী ঐখোয়সি নোংমা নোংমগী ফিভম লুশিল্লক্লি। চপ মান্ননা ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংসু য়াম্না লুপা ফিভমনি। ঐখোয়গী ইকোনোমিক ষ্টেটস অমা ফাওবা য়াওদনা চহী কয়া অসি মীতোপ মীয়ানচাগী মীওৎ মীনৈদা খাঙদুনা লাক্লি। অদুনা মপানদা লৈরিবা মণিপুরী ঐখোয়না নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিগুম্না মণিপুরী ঐখোয়গীসু ইন্দিয়াদা তারিবা মণিপুরী খুদিংমক্কী ওইনা মণিপুরী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট তৌগদবনি হায়না এম ৱাই এফ এগী চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বোর্দর পিল্লর ভেরিফিকেসন তৌগদবা সেন্ত্রেল টিম...

ঙসি থুংলখিবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী টিম অসি সেনিয়ার লেভেল ওফিসারশিংনি। সেন্ত্রেল টিম অসি হেক থুংলবগা য়ুনাইটেদ কম্মিতি মণিপুরগী মীহুৎশিংগা প্রিলিমিনরি মিটিং অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদু লোইবগা লোয়ননা ঙসি টিম অসি মোরেদা চৎলগনি। মখোয় মোরেদা লেক্লবা মতুংদা হয়েং ক্বাথা খুনৌদা চংলম্লবা মতুংদা মখোয় ইম্ফালদা হল্লক্কনি হায়খি।

ঙসিগী উন্নবা অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কম্মিতি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী খুরাইজম অথৌবনা হায়, ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অমসুং মসিদা য়াওরিবা দেলিগেটশিংগা ৱারী শান্নরে।

ৱারী শান্নবা অদুদা ৱারোইশিন থোইদোকপা লৈতে। মখোয়দা য়ু সি এমগী মায়কৈদগী হংবা ৱাহংখরদা পাউখুম পীবা ঙমখিদে। মখোয়না বি পি ৮১খক চৎপনদি থোইনা কান্নবা পুরক্লোই। মরমদি লৈরিবা মণিপুর সেক্টরদা লৈরিবা বাউন্দরি পিল্লরশিংগী ৱাথোকশিং অসি তেক্নিকেল সেসনগা লোয়ননা তেবলদা হান্না খন্নদুনা নিংথিনা ৱারোইশিন পুরকপা দরকার লৈরি।

ত্রেদিস্নেল বাউন্দরিগী ৱাফম পুখৎপা মতমদা মদু মখোয়না পাউখুম পীবা ঙমখিদে। লোয়ননা মদুগা মরী লৈনবা ৱাফম ফোঙদোকখিদে। ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমারগী বাউন্দরি অসি করম্না লেপ্পনো হায়বদু রিভিয়ু তৌবা দরকার লৈ। মণিপুর মীয়াম মখোয়গী লমগী অমসুং লমখৈগীদমক হকচিন্না লৌজবা কাঙবুনি হায়না ফোঙদোক্লমখি। মসিগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা হান্না ৱারোইশিন পুরকপা দরকার লৈ।

হৌজিক্কী ওইনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হিরম অসিগী মতাংদা ফম্মিন্নবা পাউ পীরকপা লৈত্রি। করিগুম্বা মদুগী খুদোংচাবা লৈরবদি শোয়দনা ৱাফমশিং অসি অমুক হন্না পুখৎকনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ফয়ার সর্ভিস রিক্রুইটমেন্টতা ফুল ভিদিও কভরেজ তৌগনি

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ঃ মণিপুর ফয়ার সর্ভিসকী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ১৩৯ লৌনবা রিক্রুইটমেন্ট রেল্লি হয়েংদগী আগষ্ট ১৪ ফাওবা খুমন লম্পাক্তা চথবা হৌরগনি। রিক্রুইটমেন্ট রেল্লি অসিগী প্রোসিদিং পূম্নমক ভিদিও কভরেজ পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই পি সরতচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী দরবার হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, হয়েং জুলাই ২৫ দগী হৌরগা আগষ্ট ১৪ ফাওবদা মণিপুর ফয়ার সর্ভিসকী পোষ্ট ১৩৯ লৌনবগী অসি লৌনবা ফিজিকেল ইফিসেন্সি টেষ্ট খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি।

ফয়ার সর্ভিস দিপার্টমেন্ট অসি ক্রিটিকেল ওইবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইবনা মসিদা ভেকেন্সি ময়াম লৈরবসু হৌজিক পোষ্ট ১৩৯ অসি লৌবনি। মসিদা সব ওফিসার ৫, লিদিং ফয়ারমেনগী পোষ্ট ১০, দ্রাইভরগী পোষ্ট ৩৯ অমসুং ফয়ারমেনগী পোষ্ট ৮৫ য়াওরি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নৎত্রগা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক লৌবদা য়াম্না মনুং মপান ফাওনা তৌব্রা হায়না হংনবা অসিদা মীয়ামগী চীংনবা কোক্লবা নিয়ম চুম্না তৌই হায়বা উৎনবা দাইরেক্টর ফয়ার সর্ভিসনা লুচিংবা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিতি অমনা য়েংশিনগনি। লোয়ননা রিক্রুইটমেন্টকী প্রোসিদিং পূম্নমক অদু ফুল ভিদিও কভরেজ তৌগনি হায়খি।

চথগদৌরিবা ফিজিকেল ইফিসেন্সি তেষ্ট অসিদা লৈবাক অসিগী ওইরিবা লো অমসুং ওর্দরগী ফিভম্না মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমদবা য়াওরবসু নুমিৎ অমা লেপ্পগা রিক্রুইটমেন্ট পাঙথোক্লবা খুদোংচাবা পীগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী দাইরেক্টর ফয়ার সর্ভিস আর কে মেমে, আই পি এসনা হায়, হয়েংদগী হৌদুনা চথগদৌরিবা রিক্রুইটমেন্ট অসিদা অশোয়বা অরানবা য়াওরম্বা থেংনরবসু মদুগী পাউ মহাক মশাদা পীবিয়ু। মহাক্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনগে হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা রিক্রুইটমেন্ট অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিতি অদুগী চেয়ারপার্সননা দাইরেক্টর ফয়ার সর্ভিস আর কে মেমেনি অদুগা অতৈ মেম্বর অনী অদুনা ও নবচন্দ্র দিভিজনেল ওফিসার অমসুং শান্তিকুমার কবুই এম সি এসনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## ট্রেদ সেন্টর মোরেগী ফিভম ম্যান্মারগী মমাঙদা ইকাইনিংঙাই ওইরে

শঙ্গাবা অদুদা হান্নগী পৱার মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোনসিংহসু শরুক য়াখি।

বিল্ডিং অসিগী ফিভম মমাঙ থক্কী মরী লৈনবা ওফিসিয়েল অমদি মিনিষ্টর য়াওনা হঞ্জিন হঞ্জিন য়েংশিনখিবা লৈখ্রে। অদুগা হন্দক অমুক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী ৱাকর্স মিনিষ্টর অমদি অতৈ মরী লৈনবা ওফিসিয়েল কয়ানা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা লাক্তুনা ট্রেদ সেন্টর অসিগী ফিভম উবদা নুংঙাইতবা ফাওদুনা নৌনা অকায় অতোই ফত্তবশিং অসি শেমদোক্নবা ৱাফম কয়া অমসু প্রেসতা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ট্রেদ সেন্টর অসি য়েংশিনবীদবনা হান্নগী ফিভমদা অদুমক লৈরি।

অমরোমদা বিল্ডিং অসিগী মনুংদা কুপ্পিবা সিল্লিং কয়া অমসু কিন্থদুনা তারকপা কয়াসু য়াওরে অমদি য়ান্দুনা লৈবসু য়াওরি। মিতিং তৌরিঙৈ মতমদা কিন্থরকপদগী অশোক অপন নংবগী ফিভমদা লৈরে। অকোইবদা খারিবা ৱাল কয়াসু ঈশং কাশিনবদগী ফিভম অমদা লৈরি। মতম খরগী মমাঙদা মণিপুরগী গভর্ণর মশামকসু লাক্তুনা মোরেগী কম্যুনিতি লিদরশিংগা উন্নখিবা লৈখ্রে। অমদি মোরেগী লিদরশিংনসু হোল অসিগী ফিভম গভর্ণর মশাদা খঙহন্দুনা শেমজিনবীনবসু হায়জখ্রবনি হায়রি।

## পুলিসকী রিপোর্ট লাক্তবদগী মখা তাবা বেলগী খন্নদনা য়ৈথোকখ্রে

ও নবকিশ্বর (এ বি নম্বর ২২ ওফ ২০১৭), পি সি লমকুংঙা (এ বি নম্বর ২৩ ওফ ২০১৭), দি এস পুনিয়া (এ বি নম্বর ২৫ ওফ ২০১৭), ৱাই নিংথেম (এ বি নম্বর ২৮ ওফ ২০১৭) অমসুং শৌগ্রাকপম রঞ্জিৎ (এ বি নম্বর ৪৮ ওফ ২০১৭)নি।

এক্যুইজশিং অসিগী মনুংদা ৱাই নিংথেম্না এম দি এসকী পোজেক্ট দাইরেক্টর ওইরম্লগা এস রঞ্জিৎনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসার (এ ও)নি। অতৈনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং চীফ সেক্রেটরীশিং ওইরিঙৈদা এজেন্সি অসিগী চেয়ারমেনশিং ওইরম্বনি।

এক্যুইজ তরেৎমক্না এপ্লাই তৌরকখিবা এন্টিসিপেটরি বেল পিটিসনশিং ঙসি কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম শুধাকরগী বেঞ্চতা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি। পিটিস্নরশিংদা কোর্টনা মমাঙ চহীদা পীখ্রিবা প্রি এরেষ্ট বেলশিংসি 'এবসোলুট বেল' ওইহনগদ্রা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা হিয়ারিং পাঙথোক্লবা লৌখৎখিবনি।

অদুবু বেল পীখ্রিবা এক্যুইজশিং অসিগী মথক্তা পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তানা কোর্টতা সবমিট তৌরক্কদবা রিপোর্ট (বেল ওবজেক্সন) অদু পীখৎলক্তবদগী খন্নদনা মথং থাগী ৭তা খন্ননবা য়ৈথোকখিবনি।

## নাগা পিছ প্রোসেসনা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখিদবসি...

প্রোসেস অসি লোইশিন্নবা নাগালেন্দদা চৎনরিবা আর্টিকল ৩৭১ অসি নাগা তাবা মফমশিংদা চৎনহনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি। মণিপুরদা হৌজিক চৎনরিবা আর্টিকল ৩৭১ (সি) অসি লৈনা লৈনা আর্টিকল ৩৭১ (এ)গা মান্নবা প্রোভিজন কয়া হাপচিনবা হায়বা অসিনা এদমিনিষ্ট্রেসন পৱার অমদি ফাইনান্সিয়েল ওটোনোমি পীবা হায়বনি। মসিনা চুন্নবদি মণিপুরগী ঙমখৈ কাইদ্রবসু মণিপুর কাইবগা চপ মান্নরগনি। অশুক লুরবা তাঞ্জা অসিদা বি জে পিগী ৱাঙাংলোই অমনা নাগা পিছ প্রোসেস অসিনা করিসু অকায়বা য়াওদ্রি হায়না ফোঙদোকপসি লমদম অসিগী মীয়াম অসি করিসু খঙদবা ওইনা উবনি। করিগুম্বা লমদম অসিগী ঙমখৈ অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনদ অকায়বা লাক্লবদি মদুগী দাইত্ব পুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না পুগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা এমুকোগী প্রসিদেন্ট পি দেবান শর্ম্মা অমদি য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

## মোলকোন হায়স্কুল ছো লোনশিনখ্রে

মসিগী বিল্ডিং অসিনা আর এম এস এগী মখাদা মমাঙ চহী ২০১৭তা শাবা লোইশিনখিবনি। অদুম্মকপু হৌজিক ফাউবদা স্কুলসিদা মসিগী ওজা, ক্লাস রুম অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ৱাৎলগসু মসিগী একাদেমিক সেসন হৌদুনা অঙাংশিংবু লাইরিক তম্বিরকখিবনি হায়রি।

স্কুলসিগী প্রিন্সিপালনা ফোঙদোরকখিবদা স্কুলসিগী ওজাশিংগী সেঙ্কসন পোষ্ট মশীং ১৬নি। অদুবু সেঙ্কসন পোষ্ট ১৬ অসিগী মনুংদা ওজা ১২ খক লৈরম্বদগী ওজা ৬ অতোপ্পদা য়ুটিলাইজসন তৌথোকখ্রে। মসিগী মতুংদা লেমহৌরিবা ওজা ৬ অদুগী মনুংদগী অমসু লৈখিদবনা হৌজিক শুপ্পতগী ওজা ৫ খক্তা ঙাইরকপনি। মরম অসিনা ওজা ৫ খক্তুনা অঙাংশিংবু লাইরিক তম্বীবদা ঙম্লক্তবদগী হায়স্কুলসি থীংজিনখিবনি হায়রি।

অমরোমদা চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারি, ২০১৮ ফাউবগী রেকোর্দতা দিপ্যুতি ইন্সপেক্টর ওফ স্কুলস (দি আই), সাইকুলগী মখাদা লৈবা স্কুল ৫৭ মক্তা ঙসি ফাওবদা রিগুলর হেদ মাষ্টর নৎত্রগা হেদ মিষ্ট্রেস লৈত্রি। স্কুলশিং অসিগী সেঙ্কসন পোষ্টনা ৩০৯নি। অদুবু মসিগী মনুংদা পোষ্ট ৫৫ হাপচিল্লক্তবগী মথক্তা অতোপ্পা পোষ্ট ৫০ রোম্না অতোপ্পদা য়ুটিলাইজেসন তৌথোকখ্রবনি হায়রি।

# মহৈরোইশিংগী খনবীরগা কলেজ থিংবগী খোঙজং হন্দোকপীয়ু ঃ এদুকেসন মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ঃ

লমদম অসিগী মহৈরোইশিং কনবীরগা কলেজ থিংবগী খোঙজং অসি হন্দোকপীদুনা লাইরিক তম্বা য়াহনবিয়ু হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা অপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি বাবুপরাগী ন্যু সেক্রেটেরিয়েট বিল্ডিংদা লৈবা মিনিষ্টর অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়, লমদম অসিদা এদুগেসন সিষ্টেম অসি চাওখৎহন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ মনুংদা হন্দক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মুসু অমদি ভাইস চাঞ্চেলর অনীগী মরক্তা য়ান্নরক্তবদগী ৱাথোক চাওথোরক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজাশিংসু য়াওশিল্লক্তুনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা গ্রেজুয়েসনগী অরোইবা ইগজামগী রিজল্ট হাদোক্তনা লৈবনা মখা তানা পোষ্ট গ্রেজুয়েসন তমগদবা মহৈরোইশিংদা অচৌবা অপনবা অমা ওইরি।

এম য়ু অসি সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইবনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টদা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌদুনা খঙহনখ্রে অমদি হন্দক্তসু চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মীওই ৩৫ রোম্না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী লিদরশিংগা উন্নদুনা ৱাথোক অসি লোইশিন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসি মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ৱাথোক অসি চাওথোরক্তুনা ষ্টেটকী লো এন্দ ওদরদা ফাওবা চাওনা অকাইবা অমা লাক্লি। ঙসিসু মুসু অমদি মুটাগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে অমদি শোইদনা অফবা খোঙথাং অমা লাক্কনি হায়না থাজবা থল্লি। লোয়ননা লমদম অসিগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট তমগদৌরিবা মহৈরোই লিশিং ২০ রোমগী মিংচনবদা গ্রেজুয়েসনগী অরোইবা এগজাম হায়দোক্তবনা অপনবা ওইবা অসি কোকহন্নবা কলেজশিং থিংজিনবগী খোঙজং অসি হন্দোকপীদুনা হায়দোক্তনা লৈরিবা এগজাম অসি হায়দোকহনবা য়াহনবীয়ু। মুসু অমদি মুটা অনীনা লৈঙাক অসিদা মতম খরা পীদুনা এম য়ু অসিদা মহৌশাগুম মহৈরোইশিং মহৈ তম্বা ফঙহনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা এম য়ুগী ভি শীনে দাকউ হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মুসু অমদি মুটাগী মীহুৎ কাংবুগা ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৩.৩০দগী ৫.১০ ফাওবা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুং মুসুগী মীহুৎ অমনা ফোঙদোকপদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মুসু অমদি মুটাগী দিমান্দশিং অসি ময়েক শেংনা খঙহল্লমদনা লৈবগুম তৌরম্বা অদু ঙসি দিমান্দশিং ময়েক শেংনা থমখি। অদুনা দিমান্দশিং অসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থাজবা থমখি। অদুমকপু ৱাথোক অসিগী মতাংদা য়ান্নবা লৈত্রিবনিনা খোঙজং অসি মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।



*কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা মোলকোন হায়স্কুলগী মহৈরোইশিংনা ওজা ৱাৎপগী খোঙজং চথখিবগা লোয়ননা কে এস এ সাইকুল ৱ্লোক্না স্কুল ছো লোনশিনখিবা*



*নেসনেল বি সমৱান দে হায়বা থিমদা ঙরাং শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা নৈনশঙ ক্লবতা চথখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প*

লমায় ১ গী মখা

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

রিটয়র এদিস্নেল দাইরেক্টর ডা. থোকচোম রবিচন্দ্র (হেল্থ দিপার্টমেন্ট) অমদি স্মার্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরী নারেংবম ধনবতিনানা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, ইকাই খুম্নরবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

আই এস কাংজমনা হায়, ঈ হায়বা অসি মীওইবা অমগী পুন্সিদা চঙদ্রবা য়াদবা মরু ওইবা অমনি। মরম অদুনা কনাগুম্বা অমগী তঙাইফদবা লাকপা মতমদা মতেং পাঙনবগীদমক তঙাইফদনা ঈ থমগদবনি হায়বগী পান্দমদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়গী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ অসি শিবা নাইবা অমুক শিবা অমুক পোকপা তৌবনা ঐখোয়না ঈ দান তৌদুনা ঐখোয় মশেল হিংমিন্নবদা অচৌবা মতেং ওইরিবনি। অদুনা ঈ পীদুনা ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা ভারত সরকারনা...

কংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি হান্নদগী হৌদুনা এন এস সি এন (আই এম) ওইরবসু ত্রাইপার্টাইট টোক চথনরিবা কাঙবু অসিনা কনাগুম্বা গ্রুপ অমত্তগা নুংঙাইনদবা লৈতে। অদুবু সেন্টরদা য়ু পি এ গভর্ণমেন্ট লৈবা মতমদা ষ্টেটতা কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা সেন্টরনা হায়রবা ফাওবদা মীয়াম্না পামদবদগী মুইভা চঙহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি অমসুং চংহনখিদবনি। মদুদা মহাক্না গভর্ণমেন্টকা নুংঙাইনদবা লৈতে।

মতম অদুদা কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ অদুগুম্না হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনসু থৌনা ফনা মীয়ামগীদমক থৌদাং লৌবিয়ু হায়খি। ঐখোয়গী পার্টিগী গভর্ণমেন্ট লৈরবনি হায়দুনা ইমা ইপানা আইন থুগায়রগা চৎনবা হোৎনবদা য়াদবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপগী ৱানি।

গভর্ণমেন্ট লৈরবসু লৈত্রবসু, চীফ মিনিষ্টর তোক্কে তোকউ তোকওইে তাকউ হায়দুনা মতম অদুগী গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ অদু গভর্ণমেন্ট অসিনসু লৌবিয়ু হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিতিগী রিপোর্ট অসিদা য়াওরিবা এন এস সি এন আই এমনা তাল্লম্বা সোভরেন্তিগী ৱাফম থাদোক্লে, নাগা ইন্টিগ্রেসন থাদোক্লে, ষ্টেটকী বাউন্দরি কায়হন্দনা স্পিসিয়েল ষ্টেটস অমা পীবদা য়ান্নরে হায়রিবা অসি মনুংদা করি য়াওরিবনো খঙহন্দে।

এন দি এ গভর্ণমেন্ট অসিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিগী মতাংদা মরী লৈনরিবা হোম দিপার্টমেন্ট ফাওবা খঙহন্দে হায়রিবনি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্ট অসিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা মীয়াম অসি অমম্বদা থাদরগা থল্লি হায়খি।

নাগালেন্দগী নাগাশিংদি কন্সটিট্যুসননা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীরগা লৈখ্রে। অসাম, মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশতা তারিবা নাগাশিং অসিগী ষ্টেটস পীগনি হায়রগদি মদুনা মণিপুরগী তেরিতোরিদা কমপ্রোমাইজ তৌবা য়ারোই।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা নাগালেন্দ মনুংদা পীনিংবা ষ্টেটস পীবদা য়েত্তে। অদুবু হৌজিক্না এগ্রিমেন্ট অসিনা বাউন্দরিদা অকায়বা লৈহল্লোই হায়রবসু মনুংদা করি য়াওরিবগে হায়বসি হায়দোক্তবনা করি থোক্লগবা হায়দুনা মিপাইবা ফাওরি।

বি জে পিনদি কংগ্রেনা ৱাফম অসি হায়বদা মথৌ লৈতবগী পংহায়দা হায়বনি হায়না হায়রকপা য়াই। কংগ্রেসতি হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী বাউন্দরি অসি করিমত্তা শোকহল্লোই হায়রবসু তুংদা ষ্টেট অমগী মনুংদা ষ্টেট অমগী থাক্তা লাকপা য়াবা ফিভম লাক্লবদি মণিপুর অসি করম্বা ফিভমদা লাক্কদগে হায়বসি নুংনাঙবা ফাওই।

এন এস সি এন (আই এম)গী ৱাফম অসি য়ান্নবা পুরকপদা কংগ্রেসনা অয়েৎপা লৈতে হায়খি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি খন্নবদা য়াওজগে হায়বদা মতম পীবিদে। সেসন খরা শাংদোক্লগা ইশুশিং খন্নসি হায়বসু মতম পীবিদে হায়খি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা ইশুশিংগী মনুংদা এম য়ুগী ৱাথোক অসি সেন্তরনা লোইশিনগে হায়বা মতমদা লোইশিনবা য়াবনি। এ পি পান্দে অসি অফবা ভিসিনি হায়রবসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী হেন্না ফবা য়ুনিভর্সিটি অমদা ত্রান্সফর তৌখ্রগা লোইরে। মখোয়না লোইশিনগে হায়বা মতমদা লোইশিনবা য়াই। মদু তৌদবা অসি সেন্টরনা পাল্লিবা অসি করিনো খঙদে।

মহাক্না হায়, সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌদনবা সেন্টরদা তক্লরবসু ষ্টেটগী হাউসনা ৱারেপ অমা লৌরগা সেন্টরদা থাবা য়াবনি। মদুগী রিজোল্যুসন মুভ তৌনবা শেম শারবসু মদুগী তাঞ্জা ফাওবা পিখিদবা অসি লাইবক থিবনি। মরম অসিনা ইশুশিং অসি মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিন্দুনা থেংননবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।